মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকহল্লোই হায়বগী থাজবা অইবা...

লামায় ১গী মখা... মণিপুরগী য়াইফগদবা ওইরোইদবা ওইরবদি উনবগী মথৌ তারোই। কোকোমি অমসুং মণিপুর মীয়াম্না হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকহল্লোই হায়বগী থাজবা ৱাফম চপ চানা লৈতবনা হান্নদগী তান্দুনা লাকখিবা দিমান্দশিংদা অহোংবা অমত্তা লৈতে। চঙশিল্লকখিবা খোঙজংদসু অহোংবা অমত্তা লৈরোই। মরম অদুনা মণিপুর মীয়াম্না ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা মীৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈমিন্নসি। কোকোমি অমসুং মণিপুর মীয়াম্না ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা তং-তাবা ৱাফম অমা হেক খঙদ্রিবা ফাওবা লেপ্পা লৈতনা খোঙজং চঙশিনখিগনি। ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকহল্লোই হায়বগী মতাংদা লৈঙাক্না মীয়ামদা চপ চাবা থাজবা পীরক্তবনা সঙাই ফেষ্টিভেল বোইকোট তৌবগী খোঙজংসু কোমথোকপা লৈতে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মায়কৈ অনীগী মরক্তা ৱারী শানখিবা অদুদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যাম, দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো, এম এল এ, এস রাজেন, টি ঐচ সত্যব্রতা, ডা. এস রঞ্জন, হৈখাম দিঙ্গো, এস বিরা অমসুং ও রাধাকিশ্বরসু শরুক য়াখি। কোকোমিগী মীহুৎশিং অদুদা কম্মিটি অসিগী এসিষ্টেন্ট কো-ওর্দিনেটর ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং, জিতেন্দ্র নিংঙোম্বা, এল রতন, সোমোরেন্দ্রোসু য়াওখি।

টুরিজম দিপার্টমেন্টনা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লবা থৌরাংশিং পায়খৎলি, কোকোমিনা ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তনবা ৱাফম থল্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস) : টুরিজম দিপার্টমেন্টনা চহী অসিগী সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লবগীদমক শেম-শাবগী থবক কন্না চথরি। অমরোমদা কোকোমিগী মায়কৈদগী সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তনবা ৱাফম থল্লি।

কোকোমিগী কোওর্দিনেটর সুনিল করামনা ফোঙদোকখিবদা, লমদমসিদা হৌজিক ওইরিবা অরুবা ফীভমসিদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা মতম নত্তে। সঙাই ফেষ্টিভেলদা মীয়াম্না শরুক য়াবীগনু। সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপীগনু হায়না মমাঙদা ৱাফম থম্না লৈখ্রবনি। টুরিজম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লবা শেম-শাদুনা লৈরি। কোকোমিনা সঙাই ফেষ্টিভেল শরুক য়াহন্দনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। ষ্টেটসিদা হৌজিক ওইরিবা লৈবাক কায়বা য়াবগী অরুবা তানফমসিদা ঐখোয় খুদিংমক্না খোঙজং চঙশিল্লিঁঙৈদা সঙাই ফেষ্টিভেল তৌফম থোক্তে। কোকোমিনা খোঙজং কয়া চঙশিনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ফেষ্টিভেল অসিগী মতাংদা টুরিজম দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর দল্লিয়ু ইবোহলনা ফোঙদোকখিবদা, সঙাই ফেষ্টিভেলগীদমক থা ৫/৬ কী মমাঙদগী হৌনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াগী কলচরেল গ্রুপ কয়া পাউ ফাওনদুনা সঙাই ফেষ্টিভেলগীদমক শরুক য়ানবা হায়বা লৈখ্রে। লৈবাক কয়াগী মীওই কয়াসু ফেষ্টিভেল অসিগীদমক ইনভাইট তৌবা লৈখ্রে। কোকোমিগী মায়কৈদগী ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তনবা ৱাফম থল্লকই। নুমীৎ খরনিদং ঙাইরবা মতমসিদা মপান লৈবাক কয়াগী কলচরেল গ্রুপ অমদি মীওইশিং অদুদা অমুক হায়দোকপা হায়বসি অরুবা ফীভম অমা ওইরি। ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোক্লবগীদমক শেম-শারি। অরুনাচল প্রদেশনচিংবা ষ্টেটতসু ফেষ্টিভেল অদুম্মক পাঙথোকপা থেংনৈ।

কোকোমিনা হৌজিক চঙশিল্লিবা অসি মীয়ামগীদমক্তনি। ষ্টেট অসিগীদমক্তনি। মসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ঐখোয় পুম্নমক্না লৈরিবসি ষ্টেটকীদমক্তনি। অদুবু সঙাই ফেষ্টিভেল অসিগী ওইনদি য়ৈথোকপদা অরুবা ফীভম ওইরি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

বিদ্যারানী মীশিগী মতাংদা মীয়াম্না লম্বী থিংলুরে...

লামায় ১গী মখা... মপামদা হৌবা নাশিক পাম্বী অমদা থৌরী য়াল্লম্বনি হায়না মিদিয়াগী থোংদা ফোঙদোরকপা অসি অরানবনি। মীশি অসি নীংথিনা থিজিন্দুনা মরাল লৈবা মীওই মতীক চাবা চৈরাক ফংহনবীয়ু হায়রক্লি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসতা চঙজখ্রবা লৈখিদ্রবী বিদ্যারানীগী মপুরোইবা সনায়াইমা এলিয়স তোম্বা ঙসি কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং নুমীৎ তরেৎনিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে।

অমরোমদা, নুপা ময়ূমগী মায়কৈদগী হৌখিবা নবেম্বর ১৮ অমসুং ১৯গী লোন্নবা অহিংদা ওক্রম নিংঙোল বিদ্যারানী (২৩) মপুরোইবগী য়ূমগী ইশ্বোলদা হৌবা নাশিক পাম্বী অমদা মোরেগী চুনি ফি অমনা থৌরী য়ান্দুনা শিরম্বনি হায়বা অদু অরানবা ৱাফমনি। বিদ্যারানী মহাক্কী তুম্ফম কাদা থৌরী য়াল্লগা শিরম্বনি হায়নসু বিদ্যারানীগী ইমুং-মনুংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হুংপুং থৱাইজাও হাওকোক খুন্না...

লামায় ১গী মখা... হুংপুং এ এস ৱুংনাওয়ো জিমিক অমসুং মৈতৈ হুং ওকেন্দ্র পরৈহনবা, হুংপুং কলাংসিম ইলোংনাও কাজিপলি মৈনাওনিনা কাটিরুই শাখি খামী ৯২ হায়না থাদুনা নুংদা হক্তুনা য়ুংলি। মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাওবগী খোঙ্গুলগী মখাদা হক্তুনা ইরিবা অসিদা মচিন-মনাও অহুমগী ওইবা খুদম অমা ওইনা হুংচাওয়ো জিমিক, অবুং থঙ্গাল অমসুং লৈশেম্বা সনাজাওবা হায়বা ইরি।

হুংপুং থৱাইজাওগী পুৱারীদা লৈরিবা ৱায়েলশঙ অসি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তাংখুল খুনশিংগী ওইবদা থৌদোক ৱাথোক থোকপদা খুল্লাকপশিংনা ৱায়েল্লি। ৱায়েনবদা পেন্নদবা লাকপা মতমদা থৱাইজাও খুনগী নিংথৌগী ৱায়েলশঙদা পুরক্তুনা ৱায়েনগনি। মসিদা পেন্নদবা লাকপদা মৈতৈ নিংথৌগী ৱায়েলশঙদা তাবা ৱারেপনা অরোইবা ওইরে। অতৈ লৈত্রে। মৈতৈ নিংথৌগী ৱায়েলশঙদা তাখিবা ৱারেপনা অরোইবনি হায়বা হুংপুংগী নিংথৌ লৈখিদ্রবা হুংয়োনা হায়রম্মী। থঙ্গাল, তাংখুল, মৈতৈগী ওইবা মচিন-মনাওগী পুৱারীদা হুংপুং খুঞ্জা অমা ওইরিবা ফিলসননা হায়খি, তাংখুল, মৈতৈ অমসুং থঙ্গাল হায়বসি মচিন-মনাওনি। অহল-লমনশিংনা লিরম্বা ৱারীদা হুংপুং ৱা হায়না ইহান হান্না তাবা মৈহৌরোলগী নিপা অমা লৈরম্মী। হুংপুং ৱা হায়বসি পাখংনি। অদুবু কনানা পোকপনো হায়বা খঙবা ঙমদবা অমনি। মহাক্না লমদা নুপী লৌদুনা মচানুপা অমা পোকখি। খুনগী অহল-লমনশিংনা হায়ন-শিংনদুনা নুপী থিবদগী মচানুপা অমা ফংখি। মতম খরা লৈরম্লগা হুংপুং ৱা লৈখিদ্রে। মাগী নুপী লুখ্রা ওইরে। ঈশিং শোকপা খুদিংগী উজাও অমগী মনাক্তা লাইরেন অমা ঙাইদুনা লৈরগা লুখ্রাবী অদু লাইরেনগী নুপী ওইদুনা লৈমিন্নে। কুরাক অমনসু থবাক্তা তোয়না তোংই। মতম খরা লৈরগা নুপী অসি নাওপুরক্তুনা মচানুপা অমা পোকখি। লাইগী মচানি হায়বা খঙই। অদুবু খুনগী মীয়াম্নদি ওক্তবীনি হায়না ৱা-ৱা লাওনৈ। তাংখুলগী ওইনা অঙাং পোকপদা পয়া য়েংবা হায়না লৈ। মসি কুঠি য়েংবগুম্বনি। লাইগী মচাবু করম্না পয়া য়েংবা ঙমগদৌরিবনো হায়খি।

হান্না পোক্লমখ্রবা মচানুপাদু করম্না লৌশিনসি হায়বদা মকুবোক্লা য়াদুনা লৈমিন্নখি। নিংথৌরোল পীবদি য়ারোই, লন-থুমসু পীরোই হায়খি। নুপী অসিগী লৈবা চাকশঙগী মমাঙথংবা কাসি ফৌ শুফমসু ওইবা, পোৎচৈ ময়াম থম্ফম কাসু ওইবা অসিদা লাকখি। লাইরেন অসিনা মকোক্তা ঈ থেৎলগা ফৈজা কোল্লগা ফমদুনা হিদাকফু চিংদুনা লৈ। মদুদা মচানুপা অদু মপা উনবা থাজিনখি। মদুদা কি হায়দুনা থোরকখিদে। অনীশুবা মচানুপা থাজিনবদা ইপা লৈ হায়বসি কদায়দনো হায়না থোরকখি। পাখংবনা চঙখিবদা ইপানি হায়দুনা কোনশিনখি। মদুদা লাইরেনদুনা মপা মশক খঙই হায়দুনা মীনুংশি থৌজাল পীখি। থঙ্গাল, তাংখুল অমসুং মৈতৈগী পুৱারীদা তাংখুলনা পাখম্বা হায়বসিদা মৈতৈনা পাখংবা হায়না কৌনরি। পুৱারীগী ৱারী লীরিবা হুংপুং থৱাইজাওগী খুনগী নিংথৌ হৌজিক এস পিটরনা ওইরি। পুৱারীগী ৱারী কয়াসি থঙ্গাল, তাংখুল অমসুং মৈতৈগী ওইনা হক্তুনা থল্লম্বা হুংপুং খুন কাওফম থোক্তে হায়খি।

দি এম কেগী লুচিংবদা মেমোরেন্দম...

লামায় ১গী মখা... পীশিনবগা লোয়ননা ৱারী শানখি। পিছ একোর্দনা মণিপুরগী টেরিটোরি ইন্টিগ্রিটি শোকহন্দনবা অমদি সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সী এ বি)গী মায়োক্তা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎপদা সপোর্ট তৌনবা ৱাফমশিং তকশিনখি। ৱারী শানখিবা অদুদা টিরুচি সিভাগী মায়কৈদগী সপোর্ট তৌগনি হায়বা থাজবা পীরকখি হায়রি।

অমরোমদা, নাগা পিছ টোকনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়হন্দনবা অমদি সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সী এ বি)গী মায়োক্তা কোংগ্রেস এম এল এশিংনা হয়েং দিল্লিগী জন্তর মন্তর মমাংদা প্রোটেষ্ট তৌগনি হায়রি।

ঈরং থোংদা অমুক্কসু পোৎ-চৈ পুবা...

লামায় ১গী মখা... অয়াম্বনা মতম অমদা হেক্তা তেকথখিবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। মসিগীসু মথক্তা থোং অসিদা ফারিবা ইঞ্চি ৩ থাবা, ইঞ্চি ৩ পাকপা য়োৎশিং অসিসু তৎপা য়াওরকপনা হেভি ভেহিকলশিং লান্থোক-লানশিন তৌবা য়াখিদবনি। হৌজিক নুংবাদগী ঈরং থোং ফাওবদা পোৎ পুবা ট্রক ১৫০গী মথক্তা পন্দুনা লৈরি। ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদা থোংগী তৎলিবা মফমশিং কাবক-কাবক শেমজিনবদগী লাইট ভেহিকলশিংদি লানবা য়াহনখ্রে। অদুবু হেভি ভেহিকলশিংদি লানবা য়াদনা লৈরি। থোং অসি শেমজিনবদা লোকলগী উ শীজিন্নবগী মহুৎতা খঙ্গ্রাগুম্বা উ মখলশিং শীজিন্নদুনা শেমজিনবগা লোয়নন্না তৎলিবা য়োৎশিংসু শৌজিলহৌদ্রবদি থোং অসি মতম কুইনা চৎলোই হায়নসু ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, লম্বী অসিগী বরাক অমসুং মক্রু থোংসু নুমীৎ খূদিংগী গাড়ী কয়া লান্থোক-লানশিন তৌবনা থোংগী উপাক অমদি য়োৎশিং ফীভম য়াম্না ফৎত্রে। পোৎ পুবা গাড়ী ২০/৩০ রোম হেক লানবগা থোংগী উপাকশিং কায়বা য়াওরিবা অদু শেমজিন্দ্রগদি গাড়ী লানবনা দ্রাইভরশিংনা থোংগী উপাকশিং অদু শেন্নগা লান্নরি।

বরাক অমসুং মক্রুগী আর সী সী ব্রিজ ভারতিয়া ইনফ্রা প্রোজেক্ট লিমিটেদনা এন ঐচ আই দি সী এলগী মখাদা শারম্বা অদুসু থবক লেপখিবদগী থোং অসি করম্বা মতমদা শাবা লোইশিনগদবনো হায়বা তম্বা ঙমদ্রি। গাড়ী দ্রাইভরশিংনা বরাক, মক্রু অমসুং ঈরং থোং লানবদা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা লান্নরি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীনবা দ্রাইভরশিংনা আপিল তৌরক্লি।

সী এ বিগী ৱাথোক লোইদ্রিঙৈদা এন আর সী পুশিল্লকপা...

লামায় ১গী মখা... ক্বাকৈথেলদা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবা অমদা মেনপেককী কনভেনর য়ুম্নামচা দিলিপকুমারনা হায়খি, করিগুম্বা এন আর সী শেমগৎপা তারবসু মণিপুরগী ওইনদি বেজ য়র অসি ১৯৫১ ওইগদবনি। মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা সী এ বি চৎনবা য়ারোই হায়বগী মেনপেক অমসুং মণিপুর মীয়াম্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি হেন্না কনশিল্লগনি। মণিপুর মীয়ামগী কন্সোলিদেসন ফেজ চঙশিল্লগনি। ঐখোয় পূম্বা তাশিন-খোমজিনবগী খোঙজং অসিদা মীয়ামগা হেন্না ৱাখল তামিন্ননবগী খোঙথাংশিং লৌখৎলগনি। সী এ বিনা শোকহনগদবা অমদি মসিনা পীরক্কদবা চৈথেং কয়া অদু খন্ন-নৈনগনি। হীরম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্না লান্না শন্দোক্লিবা অমদি মীয়াম্বু মচীন মেন্ননবা হোৎনরিবা থৌওং অসি কন্দেম তৌই। ওথোরিটি য়াওদবা লিফলেট অমা পুলিস দিপার্টমেন্টকী খূথাংদা চাইথোরক্লিবা অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী য়াম্না লুজ দবা অমদি মশক লোৎপা মীরোৎকী খোঙথাংনি। ঈহৌ হৌজরিবা মীয়াম্বু কিহন-খংহনবা অমদি কৈথেল ইমা-ইবেলশিং য়াওনা সী এস ওশিংগী লুচিংবশিং ফাজিন্দুনা নম্ফু শাফুগী খোঙথাং অমা থাংলক্লিবা অসি অরানবনি, থৌওং অসি খূদক্তা লেপকদবনি। মরাল শুংলৈ লৈতবা এম এম দল্লিয়ু ওগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা লোয়ননা মেনপেককী কো-কনভেনর ওইরিবা অব্দুলা ফুন্দ্রেময়ুমগী মথক্তা লৌখৎলিবা কেস অসি কক্থৎকদবনি।

নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট পূম্বদা এন্টি-সী এ বিগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা মেনপেকনসু লেপ্পা লৈতনা চঙশিনগনি। মথৌ তারবদি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকসু ফম্মিন্নগনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ফোর্মেল ওইনা ইনভাইট তৌরকখিবা লৈত্রি। পব্লিক ফঙ্কসন কয়াদা মীয়াম্বু চমম্নহনবা ওইনা ফম্মিন্নসি য়াদে হায়না পংলাউ লাউবা চুমদে। হৌনবী মতুংইন্না পাউ ফাওনরগা ফম্মিন্নবা য়াই। ৱাখল তামিন্নবদসু করিসু অকায়বা লৈতে। হৌখিবা নুমীৎ ৩/৪নি অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয়না সী এ বিগী মতাংদা ওপন দিবেট তৌনসি হায়না লাউথোরকপদগী মীদিয়াগী প্লেটফোর্ম কয়াদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সপর্সনগা খন্ন-নৈনখ্রে। মীয়াম্নসু খরমখৈদি তাবীরম্লগনি, খঙবীরম্লগনি। মখা তানা ফোর্মেল দিস্কসন তৌসি হায়রবদি মেনপেকনা তরাম্না ওক্কনি। নেফিপনা হৌখিবা নবেম্বর ১৮দা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না মেনপেকনা মীয়ামগা পুল্লগা সী এ বিগী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লিবা মাস এজিটেসন অসিদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী মীয়াম মরুওইনা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল অমসুং অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ইমা কৈথেল পূম্নমক্কী ইমাশিংবু মেনপেককী মায়কৈদগী তৌবীমল খঙবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মেনপেকনা চঙশিঞ্জরিবা কন্সোলিদেসন ফেজগী খন্ন-নৈনবা মীফম কয়াদা মীয়াম হুপ্পা শরুক য়াবীয়ু। ঐখোয় পূম্বা ৱাখল তানা খোঙজং অসি মায় পাক্লা চঙশিনমিন্নসি হায়নসু য়ুম্নামচা দিলিপকুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা নেফিপকী প্রসিদেন্ট নিংথৌজা লানচানা হায়খি, বিস্বা হিন্দু পরিষদনা নবেম্বর ২৫দগী দিসেম্বর ১৩ ফাওবগী মনুংদা সী এ বি অসি য়াবীনবা এম পিশিংদা মরুওইনা বেঙ্গলগী ত্রিনামুল কোংগ্রেসতা হায়জখিবা লৈখ্রে। পোলিটিকেল মুভতা লাইনিংদা য়ুম্ফম ওইবা ওর্গনাইজেসনশিংনা য়াওশিল্লকপা অসি নেফিপনা তশেংনা অঙকপা পোকই। সী এ বি অসি কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা মেনপেককী কো-কনভেনর অমুকামৈসু শরুক য়াখি।

পি এল এ অমসুং এম এন পি এফনা এ আরগী কেম্পতা...

লামায় ১গী মখা... দেমোক্রেসিনি হায়বা মিলিটরিনা পানবা অসিগুম্বা দেমোক্রেসি অসিদা থাজবা থমদে। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা নত্তে হায়বগী ময়েক শেংলবা খূদমদি ঙসি কাশ্মিরনা নংলিবা অৱা-চৈথেং অসিনি। ৱেসিয়া লমদম (ইন্দিয়ানা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট হায়বীরিবা) অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না ঙসি থেংনরিবা কাঙলূপ-ফুরুপ য়াওনা মুৎখিগদ্রা হায়না মীপাইনরিবা অসিসুনি। ইন্দিয়া অসি কৈদৌনুংদা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইরোই; ইন্দিয়াদি হিন্দি, হিন্দু, হিন্দুষ্টানদা চপ য়ুংনা ঙাওজবা, মখোয় অচৌবা ফুরুপনা খুৎলিংদুনা পান্নীংবগী ৱাখল চেনবা মীওই কাঙলূপকী লৈবাকনি। লমসু করাম্মী, মরম অসিননি ঐখোয় মীয়াম, লন-লৈহাও চেনবা লমদম অসি ইন্দিয়ানা লোই চনশিল্লিবসি। লমদম অসিগী মীয়ামদি মখোয় ইন্দিয়াদা মথৌ তাদে। ৱেসিয়া লমদমদা খুন্দারিবা মীওইশিং অসি ইন্দিয়নশিংগা শক-চু, চাকচা-য়ুথক, নাৎ-চৎনবী, ফিজেৎ, লোল পূমতোং তোঙানবা মরম্না মখোয়না করিগুম্বদা তিন্নবা য়াগনি হায়বসি খন্দে অমসুং মতম লৈবা খিবিক্তা থাজদে। মরম অসিননি য়েলহৌঙৈদগী নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরক্লিবা ইচিন-ইনাওশিংগী মরক্তা দিভাইদ এন্দ রুলগী পোলিসি তৌশিন্দুনা অমদা অমুক তোংশিন অমদা অমা হায়জিন্না তৌদুনা লমদম অসিগী অপূনবা থুগায়দুনা ঐখোয় মশেল হাৎনদুনা লোইশিনহল্লগা মখোয়না কোম্না পান্নবা শিল্লিবসিনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অফস্পা শীজিন্নদুনা হাৎনিংবা মী হাৎপা য়ানবা লো অমা শেমদুনা লমদম অসিগী মীওইশিং হাৎলি। অফস্পাগী মরুমদা ষ্টেট টেররিজম ওর্গনাইজ তৌদুনা মরাল লৈজদবা মীচম কয়া মীহাৎ থিনা হাৎখিবা, ফারগা মশা থিবা খঙহনখিদবা, নুপী কয়াবু ফম্লানখিবা, অঙাং, নুপা খাক্তনা সোদোমাইজ তৌখিবা, পুল্লপ-পুল্লপ হাৎখিবা মণিপুরী মীয়াম্না কৈদৌঙৈদসু কাউরোই অমসুং ময়াং লান্মীশিংবু ঙাকপীবা ঙম্লোই। মণিপুরদা অফস্পা থমখিবদগী ঙসি ফাওবদা মীওই ৮৯৮৩ হাৎখ্রে, ফেক এনকাউন্টরদা ১৫২৮ হাৎখ্রবনি। অফস্পা অসি দিল্লিগী হুরান খূৎপুনা মখোয়গী লোই মতম শাংনা থম্বা য়ানবা অমসুং মণিপুর লৈঙাকপশিংনা লৈঙাক মতম কুইনা তৌবা য়ানবা লৌতুনরগা থমখিবনি। মসি মীৎনা শং-শং উবা থৌদোক্লি। মসিদগী শরুক চান্মা হেন্না শাথিবা থৌওং অমা হায়রগদি লমদম অসিদা মখোয়গী চন্নফম খঙদবা অহেনবা মী, লোই মপূনা লোইলমগী মীশিং মাইনোরিটি তাহন্নবগীদমক ফোরমুলা ওইনা শীজিন্নরিবা একোমোদেসন ওফ সর্প্লস পোপ্যুলেসনগী মখাদা ঙসি নোংমা-নোংমগী শাংলবা চহী কয়া মীতোপশিং থাজিল্লক্তুনা য়াল্লবা নন-মণিপুরগী পোপ্যুলেসন লৈরিবসিনি। অসুম্না লমদম অসিদা লোন্না চঙদুনা লৈবগী মহুৎতা লোঅমগী মখাদা ফোংনা অমদি পাঙ্গল থোক্লা খুন্দাবা য়ানবা অমসুং লম খূদুম চন্নবা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সী এ বি) অমুক থোরক্লি। সী এ বি অসি ইন্দিয়াগী মফম অতৈদদি মখোয়গী ফুরুপকী কন্নবনি হায়না লৌরবসু ঐখোয়গী ৱেসিয়া লমদম অসিদদি ‘গাজা ষ্ট্রিপ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্কতা জিয়ুৱিশশিংনা খুন্দাশিনবা অসিগুম্বা মখল অমগী খুজিন-থৌরাংনি’ হায়না এম পি এল এফ অমসুং আর পি এফ অনীনা লৌই।

পোলিটিকেলগী পাৱর, নোংমৈ চীন্দোলদগী থোকই হায়বা ৱাখল্লোন অসি ইন্দিয়ানা শীজিন্নরি, মিলিটরিগী পাঙ্গলনা লমদম অসিগী মীয়াম্বু নমথরি অমসুং ঐখোয়গী লমদম অসি খূদুম চল্লি। দেমোক্রেসি চৎতবা লান্মীগী পাঙ্গল শীজিন্নবা মখোয়বু তাম্থোক্তুনা ঐখোয়গী লমদম অসিগী লৈবাক অমসুং মীয়ামগী নীংতম্বা পুরকপা হায়বা অসিগী অমত্তা ঙাইরবা পান্থৈদি খূৎলায় পায়বা নীংতম লালহৌ অসিতনি হায়বা এম এন পি এফ অমসুং আর পি এফ অনীনা থাজৈ লোয়ননা ইন্দিয়াগী মথক্তা এম এন পি এফ অমসুং আর পি এফ পুন্না মণিপুর নীংতম্নবগী নীংতমলান অমা চথরি। মসিগী লান অসিগী মনুং চন্না ঙসি এম এন পি এফ অমসুং আর পি এফনা লান্দাখিবনি। মরম অসিনা মণিপুরবু নীংতম্বা পুরক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পান্থৈদি ‘খূৎলায় পায়বা নীংতম ঈহৌ (আর্মদ ষ্ট্রগল)’ অসিখক্তনি। মরম অদুনা চঙশিল্লিবা মীয়ামগী নীংতম ঈহৌ অসিবু ইশা-ইশাগী থৌদাংনি খন্না মতেং পাংবীয়ু, য়াওবীয়ু অমসুং নীংতম্বা মণিপুর অমা পুরকমিন্নসি হায়না আর পি এফ অমসুং এম এন পি এফনা মণিপুরগী মীয়ামদা পাউজেঙ্গরি হায়নসু আর পি এফকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি, পব্লিসিটি বঙ্কিম অমসুং এম এন পি এফকী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি থোমাস নুমাইনা পূন্না খূৎয়েক পীরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মী লিশিং ৫০ রোম্না ওক্কনি হায়বদুদা খরা থেংথরগা চৎলু হায়রকপনি...

লামায় ১গী মখা... সাপম কুঞ্জকেশ্বর এলিয়স কেবনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা কেসনি।

এদমিসন ষ্টেজদা লিষ্ট তৌবা ইলেক্সন পিটিসন কেস অসিগী কোর্টকী প্রোসিদিংদা মহাকসু শরুক য়াবগা লোয়ননা কোর্ট রূম অসিগী মনুংদা অতোপ্পা এদভোকেট অনী (এদভোকেট চোংথাম ঙোঙো অমসুং সী ঐচ মোমোন)গা লোয়ননা ৱারী শানখি। অদুবু মসিগী মতুংদা মহাক্না কোর্ট রূম অসিদগী থোরকপগা চীফ জষ্টিসকী কোর্ট রূম নম্বর-১গী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা কোরিদোরদা পাউচে অসিগা হকথেংননা উনদুনা ৱারী শাখি। মসিদা এদভোকেট টি ঐচ শান্তিকুমারসু য়াওখি।

উনবসিদা পাউচে অসিগী মায়কৈদগী এদভোকেট এম গুনেধোরদা হৌজিক য়ু এন এল এফকী হান্নগী চেয়রমেন আর কে সনায়াইমা এলিয়স মেঘেনগী ওইরিবা ফীভম অসি করিনো হায়বা য়াওনা ষ্টেটসিগী হ্যুমেন রাইটস বোদি অমদি লূপ ৯না থা অসিগী ১৮দা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)দা মহাক অমসুং মহাক্কী মচানুপা অমসুং এদভোকেট মশাগা লোয়ননা দিটেন তৌদুনা থল্লি হায়দুনা ৱাকৎখিবগা লোয়ননা হান্নগী চেয়রমেন অসিগী মরী-মখোঙ খঙহনবীনবা হায়জখিবগী মতাংদসু ৱাহংশিং হংখি।

পাউচে অসিনা হংখিবা ৱাহং পূম্নমক্কী পাউখুমদা মহাক্না হায়, গুৱাহাটি সেন্ট্রেল জেলদগী থাদোরকপা মতমদুদা মখোয়গী (গভর্ণমেন্ট এজেন্সি অমগী মীওইশিং)কাকা (মহাক্না মেঘেনদা কৌবা মিঙ্গৌ)না ইম্ফাল থুংখিবদা মী লিশিং ৫০ রোম তিনগদবা থৌরম অমনা ওক্কদৌরে হায়বগী পাউ ফংলে। পাউ অসিগী মতুংইন্নদি মহাক জুদিসল কষ্টদিদগী থাদোকপগা য়ূম (ইম্ফাল)দা হনবদি মখোয়না পামদবগী ৱাফম ফোঙদোরকখিবনি। মসিদগী নুমীৎ খরনিদং ইম্ফালদা হনখিদনবা হায়রকখিবনি। মসিদা কাকানসু ‘ওনলি ফোর ফোর-ফাইব দেজ’ হায়বদুদা ‘য়েস’ হায়না খুমদোকখিবনি হায়রি।

ৱাফমসিদা কাকাগীসু অনিংবা-অপাম্বা প্লান অমা লৈরমগনি। মখোয়গীসু থৌরাং অমা লৈরমগনি খল্লি। অদুবু হৌজিক লৈরিবসি এরেষ্টসু নত্তে, দিটেন্সনসু নত্তে হায়খি।

হ্যুমেন রাইটস বোদি অমসুং লূপ ৯না এম ঐচ আর সীদা পিটিসন ফাইল তৌবা নুমীৎ অদুগী মমাংগী নুমীৎ থা অসিগী ১৭তা মহাক ময়ূমদা মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচানুপাগা লোয়ননা বর্থ-দেগী থৌরম ময়ূমদা য়াওই। মসিগী ফোটোশিং মচানুপানা মহাক্কী ফেসবূক একাউন্টতা অপ-লোদ তৌখি।

আর কে সনায়াইমা অমসুং মেঘেন অমদি মচানুপাগা লোয়ননা মহাকপুসু দিটেন্সন তৌই হায়রিবসিগী মনুংদা মহাক থা অসিগী ১৬তসু ইম্ফালদা লাক্তুনা হায় কোর্ট অসিদা মহাক্কী কেসশিং লেপ্পলমখি। মহাক্কী কেসশিং লৈবদগী সুপ্রিম কোর্টতসু চৎলি, গুৱাহাটি হায় কোর্টতসু চৎলি হায়খি। মহাক্না কেসশিং অসিগীদমক ইম্ফাল য়াওনা কোর্টশিংদা চৎপদা কাকাদা কেস খরসু থেংনরুগে হায়দুনসু খঙহল্লমখি হায়রি।

ঙসিসু মহাক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী কোর্ট রূম নম্বর থ্রীদা য়াওবা কেস অমা হৌজিক লোয়রে। অদুবু কোর্ট নম্বর-৪ জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ৭৭তা এন্টিসিপেটরি বেল লৌখিবা (য়াম্বেম নিংথেম ভর্সেস ষ্টেট ওফ মণিপুর)গী কেস অমগী প্রোসিদিংদসু মহাক শরুক য়াখিগনি। অদুগা নুংথিলগী পুং ২গী ফ্লাইটতা অমুক ইম্ফাল থাদোকখিগনি হায়রকখি। অদুবু এরেষ্টসু নত্তে, দিটেন্সনসু নত্তেদি হায়রগা হৌজিক ফাওবা য়ুমদা হল্লক্ত্রিবসিগী চপ চাবা মরম করিনা ওইবা য়াবগে হায়না অমুক্কসু হংখিবদা মহাক্না হায়, চহী খরগী মমাংদা থুইঙালেং মুইভানা ময়ূমদা লাক্কনি হায়বদা চঙহনখিদবদুনা হন্দক্কীসিদদি কম্যুনেল ওই হায়না লৌখিগদ্রা হায়না খনবা জাৎলা হায়বা ওবজার্ভেসন থল্লকখি। অদুবু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা তুমিন্না হল্লু হায়বা ওইগনি হায়রকখি।

অমরোমদা, হ্যুমেন রাইটস বোদি অমসুং লূপ ৯না পিটিসন ফাইল তৌরকপদগী ঙরাং এম ঐচ আর সীনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা পুং ৪৮গী মনুংদা চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পিদগী রিপোর্ট কৌখিবগা মরী লৈননা পাউচে অসিনা কম্মিসনগী ওফিসল অমগা ঙসি নুংথিল শানখিবা ৱারীদা মহাক্না হায়, কম্মিসনন্না লৌখৎপা কেসকী প্রোসিদিং মতুংইন্না ঙরাংমক চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পি, মণিপুরদা কম্মিসনগী নোটিসশিং অদু অখন্নবা মেসেঞ্জর অমনা ওফিসর অনীসিগী ওফিসশিংদা চৎলগা পীখি। ওফিসল ওইনা খূৎশিন্নরম্লগা মসিগী ওফিসল রিসিভনচিংবসু লৌরকখি হায়রি।

অদুবু ঙসিসু ঙরাং পীরম্বা নোটিসশিং অদুগী একনোলেজমেন্টকী মতাংদা অমুক হন্না চৎতুনা চেক তৌরুবদা চীফ সেক্রেটরিগীদি মহাক্কী ওফিসলশিংনা ফংদে হায়রকপদগী অমুক হন্না নোটিস কোপী ১গা পীখি। অদুবু থিগৎনরুবদা দাকতা য়াওরম্লে হায়দুনা পুথোরকখি হায়রি।

লোয়ননা হয়েং নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা কম্মিসনন্না ঙরাং ইস্যু তৌখিবা নোটিসশিং অসিগী পাউখুম ঙাইগনি। অদুগা মসিগী মতুংইন্না কেস অসিগী মখা তাবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়রি।

অমরোমদা, কম্মিসনন্না ঙরাং ইস্যু তৌখিবা নোটিসশিং অসিগী মতুংইন্না চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পিগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপা হৌখ্রে। দিল্লিগী মফম অমদা মখোয় অহুম্বু দিটেন্সন তৌদুনা থল্লক্লি হায়রিবা ওথোরিটি অদুগা পাউ ফাওনখ্রে হায়নসু থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা ফোঙদোরক্লি।

GAS NEWS

IMPHAL LPG SERVICE
Sl. No. – 5897
Booking Upto: 4/11/2019
Valid From: 24/10/2019
14.2kg Stk : 306
5 &19 kg Available
Delivery at Heinoupok
Timing : 08.30am Onwards
(First Come First Serve)

ATHOKPAM INDANE WANGJING & KHONGJ OM
Booking Upto: 02/10/2019
Valid From: 25/09/2019
Stk : 612(CTC)
Timing: 07.30 am to 10.00 am

GBD INDANE, LAMLONG
Booking Upto: 14/10/2019
Valid From: 07/10/2019
Stk : 612
Timing: 07.30 am to 10.30 am

HRANGCHAL GAS,OLD LAMBULANE
Booking Upto: 23/10/2019
Valid From: 22/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 10.00 am

MAIBIA GAS, MOIRANG
Sl. No.: 7471-7900
Booking Upto: 11/10/2019
Valid From: 10/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.00 am to 11.00 am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto: 12/10/2019
Valid From: 11/10/2019
Stk : 612
Timing: 07.30 am to 09.30 am

MANIPUR POLICE GAS
Sl. No.: 01-100
Booking Upto: 18/10/2019
Valid From: 16/10/2019
Stk : 306 (CTC&DNSC)
Timing: 10.00 am to 01.00 pm

TDK, SEKMAI
Booking Upto: 03/10/2019
Valid From: 28/09/2019
Stk : 612
Timing: 07.00 am to 10.00 am

YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking Upto: 11/10/2019
Valid From: 08/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.00 am to 11.00 am

KHUMBONG INDANE
Booking Upto: 17/10/2019
Valid From: 15/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 10.30 am

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking Upto: 17/10/2019
Valid From: 08/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

TANGLEI GAS OINAM
Booking Upto: 17/10/2019
Valid From: 15/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.00 am to 10.00 am

KINGDOM
SPOKEN ENGLISH
SPOKEN HINDI
& COMPUTER INSTITUTE

New Classes begin, please come and join
SIR NAOBI LOITONGBAM
19 YRS. TEACHING EXPERIENCE
3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES - AS AN ENGLISH LANGUAGE TRAINER (SPONSORED BY UGC)
7005622203, 7005776944, 7005665814
English Course + Free 1 mth. Computer Course
For : Students, College Students, Businessmen, Housewives, Office goers, Air Hostess Aspirants, Teachers, Entrepreneurs, Senior Citizens, etc.
Computer Courses :
DCA, CCC, CCP, C/C++, DTP, Tally GST, Typing HTML Programmings, Data Entry, etc.
Sunday Spoken English Class only for Class V - IX at 6 am to 9 am
Venue : GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER, Opp. G.P. Women's College, Old Lambulane
HL-B/5792/9,10,12...
TSE-D-BM

Celebrating Manipur's 1st Open Heart Surgery &
1st Device Closure performed at SKY Hospital in 2015
Under the leadership of

Dr. L. Shyamkishore
MD, DM (AIIMS), MRCP (U.K), FRCP (LONDON)
Chief Cardiologist & Chairman, SKY Hospital
Formerly Consultant Cardiologist,
King George Hospital, London
Having 30 YEARS experience
We Continue to lead to providing the following Service
EMERGENCY 24 HOUR SERVICE
1. 24 hrs Emergency Service for Heart Attack & Collapse
2. Device closure of hole in the Heart
3. Coronary Balloon Angioplasty
4. R.F Ablation for Palpitation
5. Pacemaker, ICD Combo Implant
6. Open Heart Surgery (For Hole in Heart, Valve), CABG
*** Next Available Dates ***
Coronary Angioplasty (Stenting)
Device Closure |RF Ablation : 28th November 2019
Open Heart Surgery | CABG : 30th Nov to 1st Dec 2019
Book your slot in advance to avoid disappointment
For more Information visit : www.sky-hospitals.com
Contact Reception or Call : 8415938207 | 8415943236
SKY HOSPITAL
RIMS road, Imphal-West, Manipur
HL-B/5816/22